থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# তু-দ ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর, মণিপুর

*ইকায়খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টর,*

ঙসি ঐনা ঐগী 'থম্মোয় পাউদম' কাখলসিদা ইজরিবা পাউদমসি কনামত্তগী থৌইনশিন্না ইনশিল্লগা ইবা নৎচদে। থম্মোয়নুংসিদগী থোক্লকপা অশেংবা থম্মোয় পাউদমনি। লৌথুপ-লৌকোয় লৈতনা তমজবনি। থাজৈ। অদোম্না শোয়দনা লোইবা ফাওবা পাবীগনি।

কোরোনা (কোভিদ-১৯) ভাইরসনা মালেম পূম্বদা লান্দাদুনা 'প্রলয়' গী মশক ওইরবা শক্তম অমা লৌরকপা, মীওইবগী মোদর্ন সিভিলাইজেসনবু মায়থীবা পীদুনা অনৌবা পুৰারী অমা ইনবা হোৎনরকপা - পূম্নমক্না খঙনরে। অকিবই মশক ফংলবা শক্তম অমা ইন্দিয়াদা, মরুওইনা মণিপুরগুম্বা লায়রবা ষ্টেটশিংদা উবা ফংগনি খন্নরম্বা, মতম চানা লৌখৎহৌবা 'লোকদাউন'গী খোঙথাং অদুনা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনবুসু ঙকহনখি। লমদমসিদসু পোজিটিভ কেস অনী য়াওরকপদা পূম্নমক্কী থম্মোয়দা অকি-তুজুং পোক্লখিবদু, মেদিকেল ষ্টাফকী হোৎনজমল অমদি অদোমগী লীদরসিপ মখাদা লৌখৎলকখিবা খোঙথাংনা নোর্মেল ওইহনখিবতা নত্তনা ষ্টেট অসিবুসু কোভিদ-১৯-ফ্রী ওইহন্দুনা ইঙক ৱাংনা থাঙ্গৎচবা ঙমহল্লে। থাজৈ-মখা তানসু খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা মীকুপশিংদু ইরৈবাকচাশিংবু মায়োক্লহন্দনবা হোৎনবদা মায় পাক্লকখিগনি।

সার! অদোম্না হেন্না খঙবীরে - হৌজিক চথরিবা লোকদাউন মতমসি হেক লোইবগা লমদমসিদা ওইরক্কদৌরিবা শক্তম, হৌজিকসিদই শরুক কয়া হেন্না তুজুংনীংঙাই মশকনি। লৈবাকসিগী ইকোনোমি, ঐখোয় পাখৎখিদনবা হায়দোক্তবই ৱানি - ঐখোয় খঙই, অঙকপা ফংনা শোক্লে হায়বা। এম পি'শিংগী তোলোপ চাদা ৩০ ককথখিবা, লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ চহী অনী থাদোক্লরোই হায়রকপা, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী অমদি পেন্সনরশিংগী দিয়রনেস এল্লারেন্স, থা তরানিপান হেনগৎহল্লরোই হায়রকপা, অসাম গভর্ণমেন্ট'না মথং থাদগী মাগী ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ পীবা ঙল্লরোই লাউথোরকপা ... পাউশিং অসিগী মরমদা লোৎলিবা হায়দোকপা ঙমদ্রবা লৈঙাকসিগী অৱাবা, খঙই ঐখোয়। ইশাগী রিছোর্স লৈজদবা, সেন্ত্রেল-গ্রান্টশিংনা মরু ওইবা রিছোর্স ওইদুনা চলাইবা ঐগী ইরমদম অসিগী ইকোনোমিদি কমদৌবা? লৈঙাক পুরেন অমা ওইনা অমদি ফাইনান্স মিনিষ্টর অমা ওইনা, অদোম অমদি অদোমগী ইকনমিক এদভাইজরশিংনা চিক্লমগদবা কোক! অৱাবদু সেয়র তৌজরি হায়বা নত্তনা করিবুদি তৌরুনি! অদুবু, লমদমসিগী মীয়ামসু লমদমসিনা ৱাবদা কৈদৌঙৈদসু তুমিন য়েংদুনা (সাইলেন্ট স্পেক্টেটর ওইদুনা) লৈথোক্লোই।

কোভিদ-১৯-ফ্রী-ষ্টেট অমা ওইরবসু ঙসি ঐখোয় কোরোনা-চৈথেং-নংলবা-ষ্টেট অমগী মীয়াম্না তৌগদবা থবক, লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন'না পীবা চেকশিন-ৱা-সাপোন শীজিন্নদুনা সেকেন্দ কুন্দগী তাদবা তোয়না খূৎ হামদোকপা, হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবা, সোসল (ফিজিকল) দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎপা (য়ামদ্রবদা মিটর ১ লাপ্না লৈনবা), খূৎনা মীৎ-নাতোন-চীন য়ারিবমখৈ শোক্তবা, মতম-চুপ্পদা (অয়াম্বদা) চীনখুম (মাস্ক) উপ্তুনা চখোক-চৎশিন তৌবা... অসিনচিংবসি লমদমসিগী মীয়ামদা ঙাক্না চৎহল্লি। হৈনবী অমা ওইহন্নবা হোৎনরক্লি। কনাসু শিনীংদবা, থৱায় পাম্মুবা কৌবনিনা, তুংগী পুন্সি অদুদদি হৈনবী অসি পাক থাদোকপা ঙমগনি থাজদে। জপান অমসুং কোরিয়াদা হন্দক্কী পেন্দেমিক অসিনা কা হেন্না শোকহনবা ঙমখিদবা, নম্ফুদা চৎনহনবা লোকদাউন'না নত্তে, মমাঙদা এক্সপরিয়েন্স তৌখিবা 'সারস' অমসুং 'মরস' ইপিদেমিক অদুদগী মীয়াম্না হান্নদগী প্রাক্টিস তৌরল্লবা হৈনবী অমা ওইখিবননি। ঐখোয়গী লমদমসিদদি, চৎনবি অসি মীয়াম্না ফনমক থবক ওন্থোক্লিংলবসু শুকঙম ঙল্লোইদবা/শুকওই ওইথোক্লোইদবগী মরম অমনি - 'ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল, ঐখোয়না হিংবদা চঙবা পোৎলম পূম্নমক্কী য়োনফমনি... মনা-মশিং-মহৈ-মরোং-ঙা-চাকতগী হৌরগা হীদাক-লাংথক-ফিসু-ফিজাম তৌনবা পোৎ, কনাগী মোটোর-পার্ট-য়ূম-কৈ-শানবা পোৎ-চৈ পূম্নমক, কৈথেল লাইরেম্বীনা ঙাক-শেনবা ইম্ফাল খোরী কৈথেলসিদা য়োনফমনি ... লোকদাউনসিনা হেক লোইখিবগা মূকথ্রুবী শঙ্গু-শঙ্গুগুম কৈথেলসিদা থোমজিল্লকপা, ফনা-চৈরাক-কনবা সিফাইশিংনা ঙাক্ল'সু কৈদৌঙৈদা থিংবা ঙল্লোই, হিংনবগী মিহুল হুনহল্লিবা মচাক্তুদি কৈথেলসিদা লৈরগা, মফমসিদা চঙলক্কনু, অমগা অমগা মিটর অমা লাপ্পনা লৈয়ু-করম হায়রুদৌরিবা?

মরমসিনা, ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর! হন্দক্কী তানফমসিদা খুদোংচাবা লৌরগা, ইম্ফাল-মার্কেট মনুংসি হোলসেল্লর নত্তনা রিটেল আউটলেট অমত্তা লৈহনবীরনু। উরিপোক মায়কৈ, লম্ফেল কৈথেল, থাংমৈবন্দ, চীংমৈরোং, খুরাই, কোংবা, শিংজমৈ, ক্বাকৈথেল, শগোলবন্দ তোঙান-তোঙানবা আইটেমশিংগী অখন্নবা রিটেল-সোপ হাংহন্নবা য়াথং তৌবীয়ু। সবজি-মন্দি (মনা-মশিংগী কৈথেল), ফিস-মার্কেট (ঙা-য়োনফম), মিট-সেন্টর (শা-য়োনফম) অখন্নবা মফম খরদা শেমগৎপীয়ু। হৈনবী হায়বসি, ঐখোয় ইশানা শেমজবনি। অহানবদা হৈনরোই। শকখঙদবা ময়াম পুলহন্দনবা, অমত্তা ঙায়রবা পাম্বৈনি - লৈঙাক্কী অহকপা য়াথং, য়াথং ঙাক্তবশিংদা চৈরাক। অনাবই লায়ওং উত্তবা, লায়নাসিনদি নারম্লবা কেস, মফম কয়াদা থেংনখিবসিনা, লোকদাউন কোমথোকহল্লবা মতুংদা, লমদমসিদা অমুক হন্না মিপাই-থবাইবা মীকুপশিং ইশরুক ওইনা থুংলবসু ওইথোক্তবা নত্তে। নবেম্বর-দিসেম্বর য়ৌরকপগা 'কোভিদ-১৯-সেকেন্দ-কমিং' অমুক লাকপা য়াই - এক্সপার্টশিংনা হায়বনি। অকনবা লৈঙাকপা অমগী অকনবা খূৎনা নত্তনা তৌঙল্লোইদবা থবকনি হঙ্গৎচরিবা, কোল্লমসিগী খূত্থাংদা।

*অদোমগী - প্রজা অমা*

লৌশিং পুক্কে

# প্রোটেক্টিব মাস্ক য়ূমদা দিসইনফেক্ট তৌবা য়াই

য়ূমদা শাবা মাস্কশিং মৈশা পীশিন্দুনা দিসইনফেক্ট তৌবদা মাস্ক অদুগী কান্নবা মাঙহন্দে হায়বা অনৌবা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙমখ্রে। হায়রিবা দিসইনফেক্ট তৌবগী থৌওং অসি চথবদা মেদিকেল মাস্ক খরদসু কান্নবা ফংলে হায়রি।

রিসার্ছ অসি জর্নেল ওফ দ ইন্টর্নেসনল সোসাইটি ফোর রেস্পিরেটরি প্রোটেক্সনদা ফোঙলকখিবনি। রিসার্ছ অসিনা মরম ওইরগা কোবিদ-১৯ লাইচৎকী মতম অসিদা মেদিকেল মাস্ককী ষ্টোক ৱাৎপগী খুদোংচাদবা অদু খরমখৈদি হন্থহনবা ঙম্বা য়াই হায়না পানরি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ থোকহল্লিবা সিভিয়র এক্যুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম কোরোনাভাইরস ২ (SARS-CoV-2) হায়রিবা ভাইরস অসি মরুওইনা লোক খূবা অমদি হাকথী খনবদগী শন্দোকই।

নাতোনদগী থোক্লকপা অকূপ্পা ঈরীকশিং অমদি তিনগী অকূপ্পা ঈরীকশিংদা ভাইরস অসি য়াওই। মসিনা কনাগুম্বা মীওই অমদা ভাইরস অসি হকথেংননা চঙহনখিবা ঙম্মী। খুদম ওইনা কনাগুম্বা অনাবা মীওই অমনা লোক খূবা নৎত্রগা হাকথী খল্লে হায়না খল্লসি, হায়রিবা মতম অদুদা মীওই অদুগী মনাক্তা নক্লনা অতোপ্পা মীওই অমা লৈরবদি অনাবা মীওই অদুদগী থোক্লক্লিবা অকূপ্পা ঈরিকশিং অদু অতোপ্পা মীওইদুনা নীংশা হোঞ্জিনবদা য়াওখি।

ঈরিকশিং অদুনা তারুবা পোৎশক নৎত্রগা লৈমায় অদুদসু ভাইরস অদু হিংদুনা লৈবা ঙম্মী। হায়রিবা ঈরিকশিং অদু পক্লবা পোৎশক অমদা মীওই অমনা পায়রুবা নৎত্রগা থেংলুরগা মশাগী মমায়দা অমুক পায়রুরবা নৎত্রগা থেংলুরবদি ভাইরস অদু মীওই অদুদা চঙখিগনি।

কনাগুম্বা মীওই খরদদি ইনফেক্সন লৈরবসু সিম্পটোম খজিক্তং ঊৎপা নৎত্রগা করিমত্তা ঊৎতবা অদুগা মখোয়না অতোপ্পা মীওইশিংদদি ভাইরস অদু শন্দোকপা ঙম্বসু য়াওই।

মরম অসি লৈবনা, অতোপ্পা মীওইশিংদগী ফিট ৬ লাপ্না লৈনবগী ফিভম অদু ঙাকপা ৱাগদবা নৎত্রগা ওইথোক্লোইদবা মতমদা ঐখোয়না ফি অমনা মায় খুমগদবনি হায়না সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)না রেকমেন্দ তৌখিবা লৈরে।

মীচম মীয়ামগীদি মশানা মশাগী ফেস মাস্ক শাজদুনা সর্জিকেল মাস্ক অমদি এন-৯৫ রেস্পিরেটরশিংদি হেল্থক্যের ৱার্করশিংগী রিজার্ব তৌদুনা থম্নবা মীয়ামদা খঙহনবা লৈখ্রে।

সী দি সীগী পাউতাক অসিবু খন্নরবা মতুংদা ষ্টদি অসিগী রিসার্ছরশিংনা মাস্কশিংবু নীংথিনা দিসইনফেক্ট তৌনবা- হায়বদি মাস্ক অদুগী কান্নবা অদুদি মাঙহন্দনা SARS-CoV-2 খক্তং হাৎনবা- লম্বী অমা থীবা হৌরকখিবনি।

মাস্কশিং অসি শীজিন্নবা লোইরবা মতুংদা অমুক হন্না শীজিন্নবা য়ারগদি ষ্টোক অসুম অসুম ময়েং তাথরকপগী অৱাবা কোকহনবা য়াই হায়বগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা য়ূমদা শাজবা মাস্কশিং অমদি হেল্থক্যের ৱার্করশিংগী মাস্কশিং অসিবু দিসইনফেক্ট তৌনবগী পাম্বৈশিং পুথোক্লবা হোৎনখি।

মাস্কশিংবু সেলসিয়স দিগ্রী ৭০দা শাহনবনা SARS-CoV-2 হাৎপা ঙম্মী হায়না ঊৎপা মমাঙদা চথখিবা রিসার্ছতা য়ূম্ফম ওইদুনা ষ্টদি অদু চথখিবনি।

তশেংনা কান্নে খঙলবা অতোপ্পা দিসইনফেক্সনগী টেক্নিকশিং লৈরবসু, মৈশা পীশিন্দুনা শাহনবা হায়বসিদি ষ্টোভ লৈবা মীওই অমা হেক্তনা তৌবা য়াবা থৌওং অমা ওইরি।

মৈশা ফংহন্দুনা দিসইনফেক্ট তৌরবা মতুংদা মাস্ক অদু কয়া য়াম্না ইফেক্টিব ওইরিবগে হায়বা খঙনবগীদমক রিসার্ছরশিং অদুনা নীংশা হোনবগা মান্ননা শেম্লবা মানেকিনশিংগী মকোকশিংদা তোঙান তোঙানবা মাস্কশিং উপশিনখি।

সেলসিয়স দিগ্রী ৭০না SARS-CoV-2 অসি শিহল্লি হায়বা খঙথ্রবনিনা রিসার্ছরশিং অদুনা ভাইরস অদুগী মরমদা নৈনরুবগী মথৌ তারুদ্রে। মদুগী মহুত্তা মখোয়না কেরোসিনগী থাউমৈ অমদগী তেঙ্গালি শীজিন্নরম্মী, মসিগী পার্টিকলশিং অদুগী চাউবগী চাং অদু SARS-CoV-2 গী পার্টিকলগা য়াম্না মান্নে।

রিসার্ছরশিং অদুনা অমুক দিস্পোজেবল এন-৯৫ রেস্পিরেটর অনী, দিস্পোজেব সর্জিকেল মাস্ক অমা, অমসুং য়ূমদা শাবা মাস্ক (কোটন ফিগী অমা, কোটনগী স্বেটরগী অমা, অমসুং পোলিষ্টর ফিগী অমা) তা চাংয়েং তৌরম্মী।

মখোয়না মাস্কশিং অদু ফাওরগা লাকপা অমদি নুংশিৎতা য়াওবা তেঙ্গালিগী চাং অদু ওল্লম্মী।

মখোয়না চাংয়েং অদু অমুক্কা হন্না তৌরম্মী, হন্দক্তি মাস্ক উপ্পদা চিনবগী চাং অদু হোংদোক্লম্মী অমদি মীওইবগী মায়গী অথোৎপা অদুগা মান্ননবগীদমক অতোপ্পা মেটরিয়ল (প্লাষ্টিক নৎত্রগা শিলিকোন) না শাবা মানেকিন শীজিন্নরম্মী।

রিসার্ছরশিং অদুনা ৱারোইশিন পীখি মদুদি — প্লাষ্টিক মানেকিন অমদা য়াম্না চিন্না উপ্পগদি — এন-৯৫ রেস্পিরেটর অমা অমসুং সর্জিকেল মাস্ক অদু ইফেক্টিব ওইবগী চাং মাঙহন্দনা তরারক হন্না মৈশা লাংহল্লগা দিসইনফেক্ট তৌবা য়াই।

সর্জিকেল মাস্ক অদুনা ফিল্টর তৌবা ঙম্বগী চাং চাদা ৭০ ওইবা মতমদা, এন-৯৫ মাস্ক অদুনা চাদা ৯৫ ওইরম্মী। অতোপ্পা এন-৯৫ রেস্পিরেটরশিং অদুদি মানেকিন অদুদা হঞ্জি হঞ্জিন্না উপ্লবা মতুংদা ফেল ওইরম্মী।

অদুমওইনমক, রিসার্ছরশিং অদুনা মাস্কশিং অদু মীওই অমনা হেক্তা শীজিন্নবা ফিট ওইবগী চাং অদুদা অথোৎপা, সিলিকোনগী মানেকিন অদুদা শীজিন্নবা মতমদদি এন-৯৫ রেস্পিরেটর অমদি সর্জিকেল মাস্ক অনীমক অদুগী ফিল্টর তৌবা ঙম্বগী চাং অদু চাদা ৪০ গী চাংখক্তং ওইরম্মী। টিম অদুনা অথোৎপা মানেকিন শীজিন্নদুনা য়ূমদা শাবা কোট্তন মাস্ক অদুদা চাংয়েং তৌবা মতমদা ফিল্টর তৌবা ঙম্বগী চাং চাদা ৫৫ ওইরম্মী। য়ূমদা শাবা মাস্কশিং অসিদা মৈশা পীবা মতমদা ফিল্টর তৌবা ঙম্বগী চাং অদুদা অহোংবা অমত্তা লৈরমদে।

অরোইবদা রিসার্ছরশিং অদুনা য়ূমদা শাবা নোজ ক্লিপশিংগী ইফেক্টিব ওইবগী চাং খঙনবগীদমক মাস্কতা হাপচিন্দুনা য়েংলম্মী। রেগ্যুলর ফিট ওইবা দিস্পোজেবল মাস্ক অমদা নোজ ক্লিপ অসি হাপচিনবা মতমদা ফিল্টর তৌবা ঙম্বগী চাং হেনগৎলক্লম্মী: এন-৯৫ মাস্ককীনা চাদা ৯৮, অদুগা সর্জিকেল মাস্ককীনা চাদা ৮৮ দা হেনগৎলকপা থেংনখি।

# লোকদাউননা অৱাবা মায়োক্লরিবসি য়েংলগা তেংবাং পোৎলম য়েনবগী থবক চথনরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস): এল জে পি ৱিমেন সেলগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ রুসিদা শর্ম্মগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি নিংথেমচা কারোংদা লৈবা হোলিষ্টিক ভিষ্টা এস য়ু দি ট্রিটমেন্ট সেন্টরদা চেঙ, আলু অমদি চান-থক্লবা পোৎলম কয়া খুৎশিন্নখ্রে।

চান-থক্লবা পোৎলম খুৎশিন্নখিবা অদুগা মরী লৈননা এল জে পিগী ৱিমেন সেলগী ভাইস প্রসিদেন্ট রুসিদা শর্ম্মনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক মীয়ামনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু লৈখিবনা মরম ওইরগা চান-থক্লবা পোৎলমশিংগী অৱাবা কয়াসু লৈরি। অৱাবা থেংনরিবা কয়াসিদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা ঙমজবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংবনি। খুদোংচাবা ফংদবা মফমশিং খল্লগা তেংবাংগী থবক অসি চথবনি।

হোলিষ্টিক ভিষ্টা ট্রিটমেন্ট সেন্টর অসিদা লৈরিবশিংগীদমক তেংবাং পোৎলম খরা মতেং পাংবনি। মখা তানসু মফম কয়াদা অৱাবা নংলবশিংদা মতেং পাংখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। তেংবাং পোৎলমশিং অদু সেন্টর অসিগী সী ঈ ও লতিফতা খুৎশিন্নখি।

অমরোমদা, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী এপেক্স বোদি ওইরিবা ওল জিরিবাম য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিএসন, জিরিবামনা দি সীনা হেদ ওইবা কোওর্দিনেটিং সেলগী মখাদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ফাইতোল ভিলেজ অমদি কৈফুন্দাই ভিলেজদা চেঙ, মাস্ক, সেনিটাইজর অমদি হেন্দ গ্লোভ য়েন্থোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা অজুকাগী প্রসিদেন্ট মোতুম মাইপাকসনানা ফোঙদোকখিবদা, অজুকা অমদি কোভিদ-১৯ কোওর্দিনেটিং সেল জিরিবামনা ইনিসিএটিভ লৌরগা শেম্বা সেলগী মখাদা মার নেসনল য়ুনিয়নগা অজুকাগা পুল্লগা কৈফুন্দাই ভিলেজদা লাক্তুনা অঙম্বা চেঙ ক্বিন্টল ৪ ভিলেজ অসিগী ৱিমেন সোসাইটি অমসুং চ্যেরমেনদা শীন্নবনি। কোরোনাভাইরসকী পেন্দেমিক ওইবা ফীভম অসিদা মফম শীনবা থুংনা মীয়াম্না মীপায়নরিবা অসিগুম্বা লান্থেং অসিদা য়ুমদগী মপান থোক্তনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা জিরিবামদা চানবা মনা-মশিং ফংলক্তবা মতমদা ৱিমেন সোসাইটি অমসুং কৈফুন্দাই ভিলেজগী ওথোরিটিশিংনা জিরিবামদা চয়োলমুক্কী মমাঙদা মনা-মশিং মখল ৭ লোম অজ কাদা শীন্নরম্মী। মনা-মশিং অদু ঐখোয়গী মেদিকেল ষ্টাফ অমদি পুলিস ফোর্সশিং লোয়ননা মীদিয়া পর্সনশিংদা য়েন্থোকখি।

মখা তারকপা ওইনা মফম অসিগীসু করিগুম্বা খরা চানবা হায়দুনা চেঙ অসি মতেং পাংবনি। চীংগী লমদদি য়াম্না মরুওইনা চেঙ তঙাইফদে। পীরিবা খরা অসিনা লোইনা নীংবা থুংগনি হায়বদি নত্তে। ঐখোয়গী মায়কৈদগী থম্মোয় শেংনা ভিলেজ চীফ অমসুং ৱিমেন সোসাইটিদা খুৎশিন্নবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। অজুকানা মতেং পাংলকখিবা অসিগীদমক কৈফুন্দাই ভিলেজগী চ্যেরমেন নম্পিওপৌনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, জেনিমসতা কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা নেসনল মেদিকোজ ওর্গনাইজেসন অমদি সেবা ভারতি মণিপুরনা মাস্ক য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

# 'মপান্দা পন্দুনা লৈরিবশিং হল্লক্লবা লৌখৎলকপা থৌদাং থাগৎলি'

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মণিপুরগী মপান্দা পন্দুনা লৈরিবশিংবু মণিপুরদা হল্লক্লবা লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থৌদাং অসি ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) সগোলবন্দ মন্দলগী প্রসিদেন্ট ডা. ঐচ রুহিকান্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সগোলবন্দ এ সীদগী মপান্দা অনা-লায়েং চৎখিবা, মহৈ-মশিন তন্নিবা অমদি অতৈ থবকশিংগীদমক লৈখিবা মীওইশিং অমসুং ইমুং-মনুংশিংনা অকুপ্পা মরোল খঙনবগীদমক হেল্প লাইন নম্বর ৯৪৩৬২৯২৪৫৭, ৯৮৬২৪৯২১২৭, ৭০০৫৪৪৫৩৩১ অমদি ৯৮৫৬১৮৩৩৬১ দা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

ঙসি পাঙথোকখিবা সগোলবন্দ বি জে পি মন্দলগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফম্না কোভিদ-১৯ থেংননবা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। লায়না-লাইচৎ অসি হকথেংননা ফ্রন্ট লাইনদা থেংনরিবা ডোক্তর, নর্স, পেরা মেদিকেল ষ্টাফ, হোম দিপার্টমেন্ট, ইসেন্সিএল সর্ভিসতা থবক তৌরিবশিং, এন জি ওশিং, মীদিয়াগী মীওইশিং অমদি ভলন্টিয়র পুম্নমকপুসু থাগৎলি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মণিপুরদগী মীওই কয়া মপান লমশিংদা হল্লকপা য়াদদুনা লৈরি। মপান্দা হল্লকপা য়াদনা লৈরিবশিংবু মণিপুরদা হল্লকহন্নবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৭।০৪।২০২০ ইং, নিংথৌকাবা; নুংথিল পুং ২.৩১ ফাওবা কালেনগী ৪নি পাল্লি, মতুং ৫ নি পাল্লনি।

**মেষ :** অয়ুক্তা নীংবা থুংবা অমদি অফবা খোঙশাল লৈরোই। অদুবু নুমিৎয়ুংবা মতুংদদি লাইবক ফগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি অমদি থিবা হুম্বা কনবগী কান্নবা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** নুমিৎয়ুংবা ফাওবা লাইবক থোইনা ফবা, শেল-থুমগী লম্দা চাওনা মায় পাকচবা অমদি মীয়াম্না চানবীবা নুমিৎনি। অকাউবনা মাঙগনি পূক্নিং তয়াংদবা ফৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** নচাক নরল শোইদনা চাওখৎপা অমদি লৈঙাক্কী লম্দসু মীকোক থোংগদবা নুমিৎনি। নচা ননাই অমদি মীয়ামগা লৈনবা মরীদা নুংঙাইতবা খরদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কর্কট :** অয়ুক্তা লম্ অয়াম্বদা মায় পাক্কনি অমদি অফবা খোঙশাল লৈগনি। অশাওবদি থাদোক্লবা হোৎনৌ অমদি নিংথিনা পোরম য়াৎপনা অফবা থবক শোয়দনা পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - খোইরাংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** অনীংবা পাংবদা নত্তনা ওইজ-ওইথকসু চাওনা ফংদবা নুমিৎনি। খল্লুদবা কান্নবা য়াম্না ফংগনি অমদি পাউ নুংঙাইবা তাগনি। মরুপ অফবগী মতেং ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কন্যা :** নুংথিলদা মীপাইরম্বা কোকচদুনা থবক পাংবা ঙল্লগনি। লন তানশিনবা য়াবা অমদি মীয়ামগী মতেং লৌবসু য়াবা নুমিৎনি। মীৱা লৌগনু, মীতোপ থাজগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা তেংবাঙবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** চরাংনবা অমদি হোয়া ফবা তৌগনু ওইজবা মাঙগনি। মরম চাদনা থৌনা ফরবা অমদি ঙক কল্লবা মরুপ-মপাংতা নত্তনা ইমুং-মনুংদা কাইনবা য়াবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্নিং ফাথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** নুমিৎয়ুংবা ফাওবদা অঙম্বনা চানবীবা, লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং চাওনা ফংগদবা অমদি নঙগী ওইবা মীশিংনা তেংবাঙবীবা নুমিৎনি। ইকায়খুম্নবা ফংই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**ধনু :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা অমদি শেন্দোং তানবা থবক্তা চাওনা মায় পাকচবা নুমিৎনি। অনৌবা পো-কাংবা য়াগনি। অচুম্বনা মাঙওইনৌ, লন চাওখৎকনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**মকর :** থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, ইমুং-মনুং ৱা তানবনা কান্নবা ফংগদবা অফবা থবক লায়না পাংগনি। অদুবু নোল্লুকপা হৈত্রবদি মরুপ-মপাং কাইনবা নোংদমগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফরে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কুম্বা :** মরুপ্পা চানবীবনা অফবা মফম শোইদনা ফংগনি অমদি ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজে। অশাওবনা কাইনবা অমদি পাংনিংবা থবক পাংবা ঙমদবা থোক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফবা ৱাংলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**মীন :** অয়ুক্তা মায় পাক্কদবা খোঙশাল লৈ অদুনা অফবা থবক পাংগে খল্লদি ঙল্লিঙৈদা পাংহৌরো। অরানবা তৌদবনা অমদি খাংবা কনবনা লন চংবা হেনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাঙাঙ হৈত্রদি চোপকনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# 'কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরিবশিং ঈকায় খুম্নে'

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরিবশিং ঈকায় খুম্নে। লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না এম পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি গীতাজেননা ফোঙদোকখ্রে।

গীতাজেননা ফোঙদোকখিবদা, কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু লৈখিবদগী চান-থক্লবা পোৎলমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। অৱাবা অসিদা এম পি পিসু শরুক য়াবগা লোয়ননা অঙম্বা মতেংশিং পাংগনি। ঙসিসু কোইরেঙ্গৈদা লৈবা পোইরৈ নৱাকোন অমসুং তেরাদা লৈবা চিলদ্রেন হোমদা চেঙ, তিলহৌ অমদি চান-থক্লবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখি। মখা তানা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরিবা কয়াদা মতেং পাংবগী থবক চথখিগনি। ঐখোয় পুম্নমক্না অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা হিংমিন্নবা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি।

কোভিদ-১৯ থেংননবগীদমক লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংসু ঙাক্না চৎমিন্নসি। লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক লায়না অসিদগী ঙাকথোকমিন্নদুনা নুংঙাইনা হিংমিন্ননবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এম পি পিগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট কৃষ্ণদাসনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী অৱাবা ফীভম অসিদা ঐখোয় খূদিংমক্না অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবগা লোয়ননা ঙাকথোক্লবা থৌদাং লৌসি। লৈঙাক্লসু লায়না অসিদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা খোঙথাং কয়া অমা লৌখৎলক্লি। মসিদা সপোর্ট তৌসি। সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানসু মীয়ামগীদমক মতেং পাংবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। মসিসু পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। চীং অমদি তম অনীমক্তা লৈরিবা ঐখোয় খূদিংমক্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা লায়না অসি থেংননবা হোৎনমিন্নসি। হৌজিক চান-থক্লবা পোৎলমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মনা-মশিং পুথোকপগী থবক চথনবা মীৎয়েং চঙবসু তঙাইফদে। চান-থক্লবা মনা-মশিং থাদুনা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনহৌবা মতম ওইরে। চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা ঈরোয়ননা চান-থক্লবা মনা-মশিং থানবগী মীৎয়েং চঙবসু তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# 'য়ুমথোঙশিংদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েনবদা শরুক য়াখিবশিং থাগৎলি'

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ না পীরিবা চৈথেং অসিদগী খরদা ওইরবসু অৱাবা কোক্লবা খুরাই এ সীগী য়ুমথোঙ ১৩,৩০০ রোমদা পঞ্চায়ট, মেম্বর, প্রধান, ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংগা খুৎশম্নদুনা চেঙ য়েন্থোকপদা শরুক য়াখিবা পুম্নমকপু থাগৎলি হায়না সোসল ৱার্কর লাইতোঞ্জম জয়ানন্দনা ফোঙদোরক্লি।

পাউমীশিংগা উনবদা জয়ানন্দনা হায়খি, থা অসিগী ১৭তগী হৌরগা খুরাই এ সীদা চেঙ য়েন্থোকপা হৌরকখিবনি। থা অসিগী ২৩দা খুরাই তোপ খোংনাংখোংদগী নুপী অমা মহাক্কী মপুরোইবগা লোয়ননা মীওই ২ গা য়াওনা কর্ফিয়ু থুগায়বগী মিংদা ফাজিল্লগা থমখিবা অদু লাইবক থীবা থৌদোক অমনি। নুপী অদুনা পি এম জি কে ৱাইগী মখাদা চেঙ কেজি ৫ ফংফম থোকপদা কেজি ২ খক পী হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা থেংনৈ। নুপী অসি কর্ফিয়ু থুগায়বগী মিংদা ফাজিনবা লাইবক থীবনি।

হৌজিক ৱানরবা মতমসিদা মীয়ামগী থবক তৌরিবা পি দি এসকী পোৎলম য়েল্লিবা এজেন্ট অমদি ফ্যের প্রাইস সোপশিংনা তৌরিবা সর্ভিস অৱাংবা থাক্তা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। ৱারবসু ৱানা হেন্না ট্রান্সপরেন্ট ওইনা মীয়ামদা ৱাখল তানবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

# নোংমাইথেম দেবেনদা প্রেমকুমার এৱার্দ পীরগনি : থৌপাং লূপ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস): সাহিত্য থৌপাং লূপনা চহী খূদিংগী থিয়াম প্রেমকুমার এৱার্দ পীদুনা লাকখিবদু চৎলিবা চহী ২০২০গী ওইনা শক্লাইরবা জর্নেলিষ্ট নোংমাইথেম দেবেনদা পীরগনি হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরি এম উত্তমকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চহী খূদিংগী ওইনা মে ৩বু ৱর্ল্ড প্রেস দে হায়না য়ুনেস্কোনা থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা মণিপুরদসু সাহিত্য থৌপাং লূপনা পাঙথোকপগা লোয়ননা থিয়াম প্রেমকুমার এৱার্দ পীদুনা লাকই। এৱার্দ অসি চহী অসিগী ওইনা জর্নেলিষ্ট নোংমাইথেম দেবেনদা পীরগনি।

দেবেন ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী ফাউন্দর মেম্বর ওইবদা নত্তনা মণিপুর প্রেস ক্লবকী সেক্রেটরিসু ওইরম্মী। জর্নেলিজম চাউখৎহন্নবা হোৎনরমখি। মহাক্কী থৌদাংবু শকখঙবা অমসুং ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা এৱার্দ অসি পীগদবনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইটেসন অমদি সোল য়াওরি। এৱার্দ অসি হৌজিক মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি লোইরবা মতুংদা লান্থোক্কনি হায়রি।

# ত্রিপুরাদা পন্দুনা লৈরিবশিং ময়ুমদা হল্লক্লবা শীনবীয়ু : লূপ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস): ত্রিপুরাদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং ময়ুম-ময়ুমদা হল্লক্লবা লৈঙাক্না শীনবীয়ু হায়না তখেল লৈমা তেংবাং লূপকী কে ঐচ বিরলানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোরোনা-ভাইরসকী লাইচৎনা লোকদাউন তৌখিবদগী অগরতালাদা পন্দুনা য়ুমদা হনবা ঙমদনা লৈরিবা মণিপুরগী অৱাবা তারবা মীওইশিংদা তখেল লৈমা তেংবাং লূপ, ত্রিপুরানা অঙম্বা মতেং পাংখ্রে।

লূপসিগী সেক্রেটরি বিরলানা লুচিংবা টিম অমনা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরগী ইচিল-ইনাওশিংবু নুংশিনবগী লীখুন লীখি। চান-থক্লবা পোৎলম কয়া মতেং ওইনা খুৎশিন্নখি। অৱাবা তারবশিংগী মরক্তগী দিল্লিদা লাইরিক তমদুনা লৈবা ৱাংখৈদগী রোনাল লোংজমনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক দিল্লিদগী অগরতালা ভয়া ইম্ফাল হল্লকপদা লোকদাউন হৌখিবনা ফ্লাইট পাইদবদগী পন্দুনা লৈখিবনি। মতম কুইনা লৈরকপসিদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙদুনা য়ুমদা হন্নবা শীনবীয়ু। অগরতালাদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা অৱাং পোৎশংবম, কোন্থৌজম এ সীগী খুম্বোং, বিষ্ণুপুর এ সীগী ক্বাকসিফাই, লম্লাই, সাবুংখোক পুংদোংবম অমদি ৱাংখৈ নোংপোক ইংখোলদগী য়াওরি। মখোয় লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং পাংবীয়ু। ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা তখেল লৈমা তেংবাং লূপকী সেক্রেটরি বিরলাগা লোয়ননা ভাইস প্রসিদেন্ট খুন্দ্রাকপম প্রজাপতি অমদি ট্রেজরর এম প্রতিমাসু শরুক য়াখি। ত্রিপুরাদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরদগী মীওইশিংগা ৱারী শাদুনা অঙম্বা মতেং পাংখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।